# ভর্জিনিয়া অমদি ন্যু জর্জিগী গভর্নরগী মীখলশিংদা ডেমোক্রেটশিংনা মায় পাক্লে




রিচমন্দ, নবেম্বর ৮ (ভর্জিনিয়া) : ভর্জিনিয়া অমসুং ন্যু জর্জিগী গভর্নরগী মীখলদা ভোটরশিংনা ডেমোক্রেটিক কেন্দিদেটশিংবু চাউনা মায় পাকহনখিবগা লোয়ননা রিপব্লিকান প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প য়ানিংদবগী ময়েক শেংলবা পাউজেল অমা পীখ্রে।

ভর্জিনিয়া ষ্টেটকী কন্না লম্বা তৌনখিবা মীখলদুদা ডেমোক্রেটিক লেফটিনেন্ট গভর্নর রাল্ফ নোর্থমনা রিপব্লিকান ইদ গিলেপসিবু মায়থীবা পীখি। ন্যু জর্জিদা ডেমোক্রেট ফিল মর্ফিনা রিপব্লিকান লেফটিনেন্ট গভর্নর কিম গুৱাদাগনোবু মায়থীবা পীদুনা মীয়াম্না পান্নদ্রবা জিওপিগী গভর্নর ক্রিস ক্রিষ্টিগী মহুৎ শিল্লগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মীখলগী রিজল্টশিংদুনা পোলিটিকেলগী ওইনা নাকপাক তানরবা লৈবাক অদুদা অচৌবা ইথিল অমা পীরগনি হায়না মায় পাক্লবা ডেমোক্রেট অনীনা হায়খি।

ভর্জিনিয়াগী মীয়াম্না ঐখোয়দা নাকপাক তানবা লেপ্পু হায়রে। মখোয়না অমনা অমগী মায়োক্তা হঙ্গাই তুকচ্চবা উৎপা অমসুং খেন্নবা ৰাখল্লোনশিংবু তাথীবগী থৌওংশিং থাদোক্কদবনি হায়রে হায়না নোর্থমনা ফোঙদোকখি।

খাইবুং খাইবুং তানবগী মতমদু লোইরে। ঐখোয়না মাঙলোমদা চঙশিল্লগনি হায়না মর্ফিনা মহাক্কী মায় পাকপগী স্পীচতা হায়খি। মর্ফিনা ২০১৩ গী রি-ইলেক্সনদা ক্রিষ্টিনা মহাক্কী ডেমোক্রেটিক রাইভলবু মায়থীবা পীরবা মতুংদা ৰা ঙাঙখিবা মফমদুমক্তগী ঙাঙখি। মহাক বরাক ওবামানা জর্মনিদা অম্বেসেদর ওইনা থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা গোল্ডমেন সাচতা মরল-মথুম চাউনা তানশিনখিবা মীশক্লি হায়রি।

ষ্টেট অনীমক্তা মায় পাকপা ঙম্বা হায়বসি চহী অসিগী মরুওইবা মীখল অমদা এন্টি-ট্রম্প ইনর্জিবু বেলোট বোক্সতা মায় পাক্লবগী লম্বী ওইনা শীজিন্নবা ঙমখিদবা ডেমোক্রেটশিংবু পুক্নিং থৌগৎলগনি।

মীশিংনা থৌনা ফুদোক্লরক্লগনি। মখোয়না মহাক্না হায়বশিং লৌররোই। মসি শেমজিন-শাজিনবা পাউ নত্তে হায়না ন্যু জর্জিগী ইষ্ট ওরেঞ্জদগী মশাগী চহী ৭৬ শুরবা লিনা বার্নিজনা ফোঙদোকখি। মর্ফিদা ভোট পীখিবা বার্নিজনা মীখলগী মায় পাকপদু প্রসিদেন্টদা পীবা ময়েক শেংলবা পাউজেল অমনি হায়খি।

ভর্জিনিয়া কোলেজগী মহৈরোয় তামিয়া মালোরিনা হায়খি, গিলেসপিবু শৌগৎপা ফোঙদোকপা ট্রম্পকী ট্বীটশিং উবদা মহাক্না মহাক্কী ষ্টেটকী গভর্নরগী মীখলদা মায় ওনশিনবা হৌখি। মদুনা মঙোন্দা মীখলদুবু য়েংশিনবা অমসুং গিলেসপিগী লম্বা ওইগদৌরিবা মীশক অদু থিনিংবগী ৰাখল পোকহনখি। মহাক্না মদু তশেংনমক এন্টি-ট্রম্প ভোটনি হায়না ফোঙদোকখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা সি জিনপীংগা ৱারী শাননবা দোনাল্ড ট্রম্প চাইনাদা থুংখ্রে



বৈজিং, নবেম্বর ৮ (এজেন্সি) : নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা লৈরিবা টেন্সননা মরুওইবা ৰাফম ওইরগা ৱারী শাননবগীদমক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প চাইনাদা থুংখ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙবদা ট্রম্পনা চাইনাদা নোর্থ কোরিয়াবু মখা তানা ইন্থোক্লবা তকশিনখিবা মতুংদা মহাক চাইনাদা থুংখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই প্রোগ্রাম লাকশিনবদা চাইনাগী থৌদাং য়াম্না মরুওই হায়না হ্বাইট হাউসনা লৌরি।

ষ্টেট খোঙচৎ অমদগী হেনবনি হায়না লৌরিবা খোঙচৎ অমদা লাক্লিবা ট্রম্পপু চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংনা নীংথীনা শিন-লাংদুনা তরাম্না ওকখি।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুগী মমাঙদা ট্রম্পনা সিবু থাগৎলদুনা হায়খি, মহাক্না চাইনিজ প্রসিদেন্টবু মহাক্কী অচৌবা পোলিটিকেলগী মায় পাকপদুগী মতুংদা উননবা থৌরাংনা ঙাইরি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী কোংগ্রেস অমদা সিনা মহাক্কী পাৱর হান্নগী হেন্না চেৎশিনহনখি। খোঙথাং অদুনা মহাক ট্রম্পকা ইরাই লাইনা শন্দাইনবা পুরক্লোই হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

বৈজিংদা থুংখিবা ট্রম্প অমসুং মহাক্কী লোয়নবী মেলানিয়াবু অঙাংবা কার্পেট, মিলিটরি বেন্দ অমা অমসুং মখূৎতা ফিরাল পায়দুনা হাইরিবা অঙাংশিংনা হরাও তয়াম্না ওকখি। মদুগী হেক ওন্ন-তৈনবদা বরাক ওবামানা মহাক্কী প্রসিদেন্সি লোইশিল্লকপা চয়োল খরগী মনুংদা চাইনাদা চৎখিবদা রেদ কার্পেট থাখিদে। থৌওং অদু অতম্না ইকায়বা পীবনি হায়না লৌনখি।

ট্রম্প অমসুং ফার্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ট্রম্পনা চহীচা কয়া নিংথৌরেলশিংগী ময়ূম ওইরকখিবা বৈজিংগী ময়াই চবুক্তা লৈবা ফোর্বিদ্দন সিটিদা কোইখি। মদুগী মতুং মখোয় নুংথিলদা চা থকখি। মখোয় সি অমসুং মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা ফোর্বিদ্দন সিটি মনুংদা দিন্নর চামিন্নগনি। সী এন এননা মদু মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট অমবু ইকায়খুম্নবনি হায়রি।

# অপেক সম্মিটতা শরুক য়ানবা ফিলিপিন্স প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টে ভিয়েটনামদা থুংখ্রে

*মনিলা, নবেম্বর ৮ (এজেন্সি) : এসিয়া-পেসিফিক ইকনোমিক কোওপরেসন (অপেক) সম্মিটতা শরুক য়ানবগীদমক ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টে য়ূমশকৈশগী অথেংবদা ভিয়েটনামগী দা নাংদা থুংখ্রে।*

*দ্যুটর্টেগী প্লেন অদু মনিলাগী মতমদা নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা থুংখি। ভিয়েটনামদা চৎলমদাইদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা দ্যুটর্টেনা অপেক সম্মিট মনুংদা মহাক্না ফিলিপিন্সতা কান্নগদবা ইকনোমিক ইনিসিয়েটিভশিং শৌগৎকনি হায়খি।*

*মরুওইনা মহাক্না এসিয়া-পেসিফিকতা মাইক্রো, স্মোল অমসুং মীদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম এস এম ঈজ) চাওখৎহনবগী ৰাফম নৌহৌননা নীংশিংগনি।*

*'ফিলিপিন্সনা অপেককী থৌবু ওইখিবা মতমদা ঐখোয়না ইনক্লুসিভ গ্রোথ চাওখৎহনবা, হ্যুমেন কেপিটেল ডিভলপমেন্টতা ইনভেষ্ট তৌবা অমসুং এম এস এম ঈশিং চাওখৎহনবনচিংবা মরুওইবা ইনিসিয়েটিভশিং হৌদোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।*

*মহাক্কী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ অদুদা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টনা বাইলেটরেল মীটিংশিংসু পাঙথোক্কনি।*

*শগোলশেন নুমিৎ নবেম্বর ৯ দা মহাক্না ভিয়েটনামগী প্রসিদেন্ট অমসুং অপেককী হোষ্ট ট্রান দাই কুৱাংগা উনখি।*

*ইরাই নুমিৎ নবেম্বর ১০ দা মহাক্না রশিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা বাইলেটরেল মীফম পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুংদা মহাক্না হোং কোংগী চীফ ইগজেক্যুটিভ কেরি লামগা তোঙান্না উনগনি।*

*মহাক্কী ভিয়েটনাম খোঙচৎকী অরোইবা নুমিৎ থাংজ নুমিৎ নবেম্বর ১১ দা মহাক্না চাইনীজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা উনরবা য়াই হায়রি।*

*হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দ্যুটর্টেগা দোনাল্ড ট্রম্পকা ভিয়েটনামদা বাইলেটরেল মীফম চত্থনবগী সেদ্যুল লৈতে হায়রি।*

# ফিলিপিন্সনা সাউথ চাইনা সীদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক লেপখ্রে



মনিলা, নবেম্বর ৮ (এজেন্সি) : চাইনানা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মতুংদা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীগী নৌনা শেল্পা সেন্দবার অমদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক লেপখ্রে হায়না ডিফেন্স চীফনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। লমগী মতাংদা য়েৎনবদুগী অকুপ্পশিংসু ডিফেন্স চীফ অদুনা ফোঙদোকখি।

সেন্দি কে কৌবা সেন্দবার পরিং অমগী মরমদা হৌখিবা ওগষ্টতা নাকল অনীগী মরক্তা য়েৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা চাইনা অমসুং ফিলিপিন্সনা অসিগুম্বা থৌদোকশিংবু কন্ট্রোলগী ৰাংমদা চৎখিবা থিংনবগীদমক্তা এরেঞ্জমেন্ট খরা পুথোক্লবা ৱারী শানবগী তঙাইফদবা লাকখি হায়না লোরেঞ্জানা ফোঙদোকখি।

স্প্রাটলিজ অর্কিপেলাগোগী মনুং চন্না ফিলিপিন্সনা পায়শিনবা থিতু ঈথৎকী মনাক্তা লৈবা ফিলিপিনোশিংনা ঙামীশিংগী সেল্টরশিং শানবা থৌরাংলিবা অপিকপা সেন্দবারদুগী মরমদা য়েৎনরিবদু হৌজিকসু লৈখাই তাদ্রিবা ওইরবসু নাকল অনীনা অনৌবা টেরিটরি অমৎতা পায়শিন্নদবগী ৰাফম য়ানখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা ক্লেম তৌরিবা অয়াম্বা ফিলিপিন্স অমসুং অতৈ গভর্নমেন্ট মরিনা তৌরিবশিংগা ফাংজিন্নখি। মদু ওইদুনসু দ্যুটর্টেনা হৌখিবা চহীদগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা বৈজিংগা মরী ফগৎনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎপদগী নাকল অনীগী মরী ফগাৎলকপা উখি।

দ্যুটর্টেনা চাইনাগা লল্লোন ইতিক তৌনবা অমসুং বৈজিংগী মতেং পান্নগী মওং উৎপগা লোয়ননা লমগী মরমদা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়েৎনবগী মতাংদা মুক্নবগী থৌওংদগী থৈদোকখি। বৈজিংনা সাউথ চাইনা সীদা তৌরিবা লমগী ক্লেমশিং চৎনহনখিদবা য়ু এনগা মরী লৈনবা ট্রাইব্যুনেলগী রুলিং অমা ঙাক্লবা মহাক্না খুদক্তা চাইনাদা তকশিনখিদে। থৌওং অদুনা মরম ওইদুনা মহাকপু নেসনেলিষ্টশিং অমসুং লেফট ৱিং গ্রুপশিংনা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখি। মখোয়না মঙোন্দা চাইনাবু খুদক্তা মরুওইরবা ৰারেপ অদু ইন্নবা ডিমান্দ তৌহন্নিংখি।

ঐখোয়না ষ্ট্রকচর খরা ঐখোয়গী ঈথৎকী মনাক্তা লৈরিবা সেন্দবারশিংগী মনুংদা অমদা শানবা হোৎনখি, তৌইগুম্বসুং চাইনানা মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি হায়না লোরেঞ্জানা মনিলাদা ডিপ্লোমেটিক অমসুং সিক্যুরিটি ফোরম অমদা হায়খি।

# টেরেসা মেনা কেবিনেট মিনিষ্টর প্রীটি পটেলগী অফ্রিকা খোঙচৎ লোইশিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ৮ (এজেন্সি) : চৈ-থাংবা অমসুং ৰাথোক্নী ফিভম মায়োক্নরবা বৃটিশ কেবিনেট মিনিষ্টর প্রীটি পটেল 'প্রাইম মিনিষ্টরনা টেরেসা মেনা হায়জবদগী লন্দনদা অমুক পাইরক্লে' হায়না স্কাই ন্যুজগী সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল খোঙচৎ অমদা য়ুগন্দাদা চৎপগী লম্বীদা লৈরিবা ইন্টরনেস্নেল ডিভলপমেন্ট সেক্রেটরি প্রীটি পটেল ইজরেলগী পোলিটিকেল ফিগরশিংগা অরোনবা মীফম কয়া পাঙথোকখিবগী মতাংদা অকনবা প্রেসর লৈরে হায়রি।

মহাক কেনিয়াগী কেপিটেল নাইরোবী ফাওবা চৎপদা ঙাইরিঙৌদা য়ু কেন্দা খুদক্ত হল্লক্লবা খঙহনখিবনি। পটেলনা চয়োলসিগী অঙনবদা মীটিংশিংদুগী মতাংদা ঙাকপীনবা হায়জখি তৌইগুম্বসুং মখা তবা মীটিংশিংগী অকুপ্পশিং খঙনরকখি।

হৌখিবা ওগষ্টতা ইজরেলদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা পটেলনা ওকুপাইদ গোলান হাইটসতসু ভিজিট তৌখিবগী রিপোর্টশিং ফোংনরকখি। খোঙচৎ অদুনা বৃটিশ ডিপ্লোমেটিক প্রোটোকোল থুগায় হায়রি।

মিনিষ্টরগী প্রোটোকোল কায়বা খোঙচৎ অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টরদা কেবিনেট মিনিষ্টরদুবু মফম লৌথোক্লবগী প্রেসর পীরকখি। গভর্নমেন্ট সোর্ছ অমনা স্কাই ন্যুজদা হায়খি মদুদি, পটেলগী মরাইবক ফগদবা মান্দ্রে। স্কাইগী সিনিয়র পোলিটিকেল করেসপোন্দেন্ট জেসন ফারেলনা পটেলবু মফম লৌথোকপা হায়বসি শোয়ররোই হায়বা য়াই হায়রি।

নৌনা ফোংলকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, পটেলনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৭ তা ইজরেলি পব্লিক সিক্যুরিটি মিনিষ্টর গিলাদ ইর্দানগা পার্লিয়ামেন্টতা উনখি অমসুং হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৮ দা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল য়ুভাল রোতেমগা ন্যু য়োর্কতা উনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেদা ন্যু য়োর্ককী মীফম অদুগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাউদমখি তৌইগুম্বসুং ইর্দানগা উনখিবদুগী মতাংদদি য়াম্না থেংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খঙলকখি। সেপ্টেম্বর ৭ তা পার্লিয়ামেন্টতা উনখিবা মতমদুদা ট্রিরদা থাগৎখিবা ৰারোল অমদা ইর্দাননা মহাক অমসুং পটেলনা য়ু কে-ইজরেল ডিভলপমেন্ট কোওপরেসন করম্না খুমাঙ চাওশিনহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

# *কাটালোনিয়া ক্রাইসিস* : মফম লৌথোকখিবা লীদরশিং ফাজিনবগী মায়োক্তা নীংতম্বা শৌগৎপশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



বার্সিলোনা, নবেম্বর ৮ (এজেন্সি) : কাটালোনিয়াগী মফম লৌথোকখ্রবা লীদরশিংবু ফাজিন্দুনা থম্বগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা লমদম অদুগী মরুওইবা লম্বী অমসুং রেল লাইন খরা নীংতম্বগী ঈহৌ শৌগৎপশিংনা থিংজিনখ্রে।

সেপরেটিষ্ট ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মরুওইবা য়ুনিয়নশিংনা শৌগৎখিদ্রে।

লম্বী চথোক-চৎশিন্দা অপনবা খরা থোক্লবসু দুকানশিং অমসুং বিজনেসশিং মহৌশাগুম হাংনখি। স্পেননা ক্রাইসিস অদুবু নীংথীনা লোইশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ানো রাজোয়না লমদমদুগী খরা ঙন্না পাঙথোক্লিবা মীখলদুদা মীয়াম্না হুপ্পা শরুক য়ানবা অপীল তৌখি।

পার্লিয়ামেন্টতা পীবা স্পীচ অমদা মহাক্না কাটালোনিয়াবু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হকথেংননা লৈঙাকপগা লোয়ননা ডিসেম্বর ২১ দা রিজনেল মীখল কৌখিবদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খি।

হান্নগী কাটলান প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টকী মরমদা পল্লদুনা রাজোয়না হায়খি 'রিজনেল লীদর অমনা মহাক্কী টেরিটরিদা কনষ্টিট্যুসন চৎনদে হায়বা য়ারোই। রিজনেল লীদর অমনা মান্নবা লিগল ফ্রেমৱার্ক অমা পুথোকপা ঙম্লোই (য়ারোই) অমসুং রিজনেল লীদর অমনা নেসনল টেরিটরিগী শরুক অমা নীংতম্লে হায়না মরন্নাই নৎত্রগা নাকল নাম্মগী ৰারেপ লৌরগা লাউথোকপা য়ারোই।'

য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লমদম অদুদা প্রোটেষ্টর খরনা 'পোলিটিকেল প্রিজনরশিং থাদোকউ' হায়না ইবা তোখায় তাবা পাম্বশিংগী ফিরালশিং অমসুং বেন্নরশিং পুখি। লম্বী খরদগী প্রোটেষ্টরশিং তকথোক্লবা পুলিস কাঙবুশিং চঙশিনবদগী মুক্লবগী থৌদোক মচা-মশু খরা থোকখি। য়ুনিভর্সিটিশিংসু ষ্ট্রাইক অদুদা য়াওখি তৌইগুম্বসুং অতৈ মফমশিংদদি মী ইথোক থোক্লখিদে। স্পেনিস লোনা পোলিটিকেল মোটিভশিংগা মরী লৈননা ষ্ট্রাইক তৌবদা অথিংবা থর্মই অমসুং য়ুনিয়নশিংনসু মখোয়না চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু জোব ইনসিক্যুরিটিগী মায়োক্তনি হায়খি।

কাটালোনিয়ানা মরন্নাই নীংতম্বা লাউথোকখিবগা মরী লৈননা পোলিটিসন নিপান লাল হৌবা অমসুং ঈরাং হৌহনবগী মরালদা চত্থবা ইনভেষ্টিগেসনদা মাদ্রিদকী ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লি।

বি বি সীগী ইন্টরভিয়ু অমদা স্পেনগী ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর ইসাবেল গার্সিয়া টেজেরিনানা পিগদেমোন্টবু লোনা য়াদবা মওংদা নীংতম্বা লাউথোক্লদুনা স্পেনিস ষ্টেট অপুম্বদা এটেক তৌরে হায়না মরাল শীখি। লৈবাক অদুগী জুদিসল সিষ্টেমদা করপসন লৈরে হায়বা পিগদেমোন্টকী মরাল শীবা ৰাফমবুসু টেজেরিনানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স পার্টিশিংনা ডিসেম্বর ২১ গী স্নেপ ইলেক্সনগীদমক অপুনবা ফ্রন্ট অমা শেল্পগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রে হায়রি।


## এপ্লিকেসন কৌজরি

## নেসনল এৱার্দশিং

**পীনবগীদমক ২০১৮ গী ওইনা**
**য়ুদা লাইচুবা অমসুং সবষ্টেন্স (ড্রগ) লান্না শীজিন্নবা থীংবগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা সর্ভিসশিং তৌবগীদমক**

**"ড্রগ লান্না শীজিন্নবা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা য়োনবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ"**
**কা মরী লৈননা নেসনল এৱার্দশিংসু য়েন্থোক্কনি**

**কেটিগরিশিং :**

মখাগী কেটিগরি খূদিংমক্কী মখাদা য়ুদা লাইচুবা অমসুং সবষ্টেন্স (ড্রগ) লান্না শীজিন্নবা থীংবগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা কয়া তৌবগীদমক্তা নেসনল এৱার্দশিং পীনবগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি :-

**I. ইনষ্টিট্যুসনেল কেটিগরি**

(i) য়ুদা লাইচুরবশিং অমসুং ড্রগ শীজিন্নবশিংদা রিহাবিলিটেসন সর্ভিসশিং ফংহন্নবগীদমক খ্বাইদগী ফবা ইন্টিগ্রেটেদ রিহাবিলিটেসন সেন্টর ফোর এদ্দিক্টস (আই আর সী এ)।
(ii) য়ুদা লাইচুবা অমসুং সবষ্টেন্স (ড্রগ) লান্না শীজিন্নবা থীংবগী থবক তৌবা খ্বাইদগী ফবা পঞ্চায়ট রাজ নৎত্রগা ম্যুনিসিপালিটি বোদি।
(iii) য়ুদা লাইচুবা অমসুং সবষ্টেন্স (ড্রগ) লান্না শীজিন্নবা থীংবা অমসুং এৱ্যেরনেস পোকহনবদা থোইদোক হেন্দোকপা খ্বাইদগী ফবা এদ্যুকেস্নেল ইনষ্টিট্যুসন।
(iv) য়ুদা লাইচুবা অমসুং সবষ্টেন্স (ড্রগ) লান্না শীজিন্নবা থীংবদা থোইদোক হেন্দোকপা কনট্রিব্যুসন পীরিবা সিরিয়েল নম্বর (i), (ii), (iii) গী নত্তবা খ্বাইদগী ফবা নন-প্রোফিট ইন্নোভেসন।
(v) খ্বাইদগী ফবা রিছর্চ নৎত্রগা ইন্নোভেসন।
(vi) খ্বাইদগী ফবা এৱ্যেরনেস কেম্পেইন।

**I. ইন্দিভিজ্যুঅল কেটিগরি**

(vii) মীওই অমগী থোইদোক হেন্দোকপা এচিভমেন্ট।

**এপ্লিকেসনশিং থাবগী প্রসিজর :**

(১) প্রেসক্রাইব তৌবা ক্রাইটিরিয়া থুংহন্দুনা ওর্গনাইজেসনশিং, ইনষ্টিট্যুসনশিং অমসুং লনাই মীওইশিংনা এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌবা য়াগনি। মথক্কী এৱার্দশিংগী কেটিগরি খূদিংমক্কী ওইনা পীরিবা ক্রাইটিরিয়া অমসুং ২০১৮ গী নেসনল এৱার্দশিংগী স্কিমগী অকুপ্পশিং **http://socialjustice.nic.in/writereaddata/UploadFile/NA636078226610282667** তা য়েংবা য়াগনি। এপ্লিকেসনশিংদু হিন্দি নৎত্রগা ইংলিস লোল খক্তদা ওইগদবনি।
(২) মখাগী এজেন্সিশিং নৎত্রগা মীওইশিং অসিদা এৱার্দশিংদু পীবা য়াবা ইনষ্টিট্যুসনশিং নৎত্রগা লনাই মীওইশিংগী মমিং খনবা অমসুং রেকমেন্দ তৌনবগী ওথোরিটি শিন্নরে :
  (a) গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিং নৎত্রগা ডিপার্টমেন্টশিং অমসুং মখোয়গী ওটোনোমস ইনষ্টিট্যুসনশিং মিনিষ্ট্রিগী মিনিষ্টর-ইন-চার্জগী অয়াবগা লোয়ননা;
  (b) ষ্টেট গভর্নমেন্টশিং নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনশিং মরী লৈনবা চীফ মিনিষ্টর নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী লেফটিনেন্ট গভর্নরশিংগী অয়াবগা লোয়ননা ;
  (c) মখোয়গী ওইবা জুরিসদিক্সন মনুংদা ড্রগ দি-এদিক্সনগী লমদা থবক তৌরিবা রিজনেল রিছোর্স অমসুং ট্রেনিং সেন্টরশিং;
  (d) নেসনল কন্সলটেটিভ কম্মিটি ওন দি-এদিক্সন রিহাবিলিটেসন (এন সী সী ডি আর) গী মেম্বরশিং ;
  (e) ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন চেম্বর্স ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, কনফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ইন্দষ্ট্রি, দ এসোসিয়েটেদ চেম্বর্স ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি ওফ ইন্দিয়া, অসিনচিংবগুম্বা মীয়াম্না খঙনরবা এপেক্স চেম্বরশিং;
  (f) মমাঙগী এৱার্দীশিং।
  (g) য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী), ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এ আই সী টি ঈ), মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই), নেহরু য়ুভা কেন্দ্রা, সঙ্গাথন (এন ৱাই কে এস), য়ুনিভর্সিটিশিং, সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ), নেসনল কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেস্নেল রিছর্চ এন্দ ট্রেনিং (এন সী ঈ আর টি), কেন্দ্রিয়া ভিদ্যালয়া সঙ্গাথন (কে ভি এস), নভোদয়া ভিদ্যালয়া সমিটি (এন ভি এস), কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়ল রিছর্চ (সী এস আই আর), অসিনচিংবগুম্বা ওর্গনাইজেসনশিং; অমসুং
  (h) ইনষ্টিট্যুসন নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুঅলনা থবক তৌরিবা ডিষ্ট্রিক্টকী কলেক্টর/ডিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট।
  (i) ইনষ্টিট্যুসন নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুঅলনা থবক তৌরিবা কম্মিস্নরেটকী কম্মিস্নর।
(৩) হীরম অসিগীদমক্তা খনবা ওথোরাইজ এজেন্সিশিং নৎত্রগা মীওইশিংদগী লাকপা মরম মতিক চানা পীবা নোমিনেসনশিং নৎত্রগা রেকমেন্দেসনশিংদমক খন্নগনি।
(৪) প্রেসক্রাইব তৌবা ফোর্মগী মওং মতৌশিং শীজিন্নবা এপ্লিকেসনশিংদু থেংলবদা ডিসেম্বর ১, ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা জোইন্ট সেক্রেটরি (এস ডি), ডিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট, রূম নম্বর ৬১৬, 'এ' ৱিং, শাস্ত্রি ভবন, ন্যু দিল্লি-১১০০০১ দা য়ৌহনগদবনি।
অরোইবা তারিখকী মতুংদা ফংবা অমসুং/নৎত্রগা প্রেসক্রাইব ওথোরিটি/মীওইশিং রেকমেন্দ তৌদবা এপ্লিকেসনশিং খন্নরোই।

**গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া**
**মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট**
**ডিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট**
www.socialjustice.nic.in

**য়ুদা লাইচুবা অমসুং ড্রগ লান্না শীজিন্নবা থীংনবগী নেসনল টোল ফ্রী হেল্পলাইন**
**1800-11-0031**

davp 38101/13/0061/1718